www.sanaleibak.in

SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

# সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 14,900
22 Carat/g : ₹ 14,215

1 Kg Silver : ₹ 2,50,000
10 Gram Silver : ₹ 2,450

WEATHER: Thundershower

Temperature 27/20°C

Sunrise: 05:01 AM
Sunset : 05:17 PM

Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57

GAS TODAY
Nill

sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 277 | IMPHAL, THURSDAY, SEPTEMBER 17, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | শগোলশেল, লাংবনগী ৬ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা ইরাং থোকপগী চাং হেনগৎলক্লি

# কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী নাগা তাবা চৱাংকিনিং খুলদা অহিং চুপ্পা লান্দারকখ্রে, য়ুম কয়া মৈ থারম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা ইরাং থোকপগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। ঙরাং তমেংলোংদা খুৎলায় পায়বশিংনা কুকি ফুরুপকী নুপী ২ হাৎলম্লবা মতুং ঙরাং অহিংদগী ঙসি অয়ুক অঙনবা ফাওবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাগাশিংনা খুন্দাবা চৱাংকিনিং খুলদা লেপ্তুনা এটেক্ট চত্থরকখ্রে, য়ুম অনী মৈ থারম্লে। পাউ অসি ফংবা মতমদসু অমুক হন্না লান্দারক্তুনা সেক্যুরিটি ফোর্সেসশিংগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবা লেপত্রি হায়রি।





থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ তারকপা অদুৰাইদগী খুল অসিগা থংনবা খোলেন কুকি ভিল্লেজ, সেজাং কুকি ভিল্লেজ অমসুং ৰেষ্ট হাইপি হায়না খঙনবা খুল অহুমসিগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। এটেক্ট অদুদা চৱাংকিনিং খুলদা হান্নদগী লৈরবা সি আর পি এফ পর্সোনেলশিংনা খুৎ হন্দুনা মায়কৈ অনীদা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পখি। হায়রিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু অহিং চুপ্পা লেপ্তুনা থোকখি। অদুগা ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৫ তারমদাই অদুৰাইদা লেপখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

*অমজুগী ৫২শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে*

# ইরাং অসিনা ষ্টেট অসিগী জি এস টি রিভেন্যুদা লুপা ক্রোর ১২০০ রোম দাউন চৎহল্লেঃ সিএম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ কুমজা ২০২৩দগী হৌদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) রেভিন্যুদা লুপা ক্রোর ১২০০ রোমগী শেনফম দাউন চৎহল্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।



মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী ৫২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থম্লদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়, ইরাংনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২৩দগীনা ২০২৬ ফাওবদা মণিপুরগী জি এস টি রেভিন্যুদা লুপা ক্রোর ১২০০ রোম দাউন চৎপনি। ষ্টেটকী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমা মায়োক্লহল্লে। মরম অদুনা ৱারি শান্নদুনা লোইশিনবা য়াবা হীরমশিং ওইরবদি সি এস ও অমদি মরী লৈনবশিংনা লৈঙাক্কা মতম চানা খন্ন–নৈনবনা চুম্মী। মদু নত্তদুনা হান্না হেক্তা বন্দ ব্লোকেদ তৌশিনবগী চৎনবী অসি থাদোকপনা চুমগনি। বন্দ ব্লোকেদ হায়বসিনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন খক্তা নত্তনা নোংমগী চারা তাল্লিবা মীয়ামদা পীগদবা চৈথেং অদুসু ঐখোয় পূন্না খন্নমিন্নবা চুম্মী হায়খি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিগী পাউমীশিংগী য়াইফনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অঙন্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ষ্টেট অসিগী ওইনা হান্না মমাঙ ...মখা লমায় ৫দা...

## কঞ্জ্যুমরশিংনা ঙাকপিগনিঃ এম রবি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মতম খরা রোটেসনেল ওইনা মৈ মুখৎপগী ফীভমদা লৈরে। খুদোংচাদবশিং অসিগীদমক এম এস পি দি সি এলগী কঞ্জ্যুমরশিংনা ঙাকপিগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিবুইসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল) গী মেনেজিং দাইরেক্টর এম রবিনা ...মখা লমায় ৫দা...

## সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)না শীন্দুনা কম্মর্সিয়েল কোর্টস এক্ট, ২০১৫গী মতাংদা এদভোকেট মেদিএটরশিংগী নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা মণিপুর হায় কোর্টকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## উচিৱাদা অশিবা হকচাং অমা ফংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপা অদুৰাইদা ইম্ফাল তুরেল মরিলগী ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা উচিৱা নাস্তো মপাদা অশিবা হকচাং অমা তুরেলদা তাওথরকপদগী ফংখ্রে। মনাক নকপদা লৈবা মীয়াম্না অশিবা হকচাং অদু ...মখা লমায় ৫দা...

## পাউচে পুথোকচরোই

ঙসি সেপ্টেম্বর ১৭ অসি বিশ্বকর্ম / পিশাতাওগী ইরাৎ থৌনিগী থৌরম নুমিৎ প্রেস ছুটি ওইবনা হয়েং সেপ্টেম্বর ১৮ দা পাউচে অসি পুথোকচরোই। – *মেনেজর*

## মোদিগী মপোক নুমিৎ বি জে পিনা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭৬শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা হয়েংদগী হৌদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা থাবুম অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা মখল মখা কয়াগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি কে সরতনা ফোঙদোকখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা ...মখা লমায় ৫দা...

## ফিশা লোনশা চাউখৎনবা হোৎনগনিঃ ইবোমচা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ লম্লাই এ সিগী এম এল খোংবান্তাবম ইবোমচা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেনগী ফম অমুক হন্না পায়বা হৌখ্রে। মণিপুরগী চাউথোক্লিং ঙাই ওইবতা নত্তনা নুপীশিংগী শেন্মীৎলোন ওইরিবা ফিশা লোনশাগী থবক হেন্না খুমাঙ চাউশিন্নবা হোৎনগনি হায়না লম্লাই এ সিগী এম এল এ কে ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

মাহুদকী চেয়রমেন এম এল এ ইবোমচাবু ফিশা ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘তঙদু লৈতাবা, চাওখৎপা মণিপুর অমগীদমক পূন্না থৌনিমিন্নসি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুরবু ইং তপ্পা তঙদু লৈতাবা অমসুং চাওখৎপা লমদম অমা ওইরক্নবা পূন্নমক্না থৌনিমিন্নসি হায়না মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।



শ্রীশ্রী গনেশ পূজা সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুরনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা ঙরাংদগী হৌরগা থাংজ নুমিৎ ফাওবা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চত্থগদবা গনেশ চটুর্থি পূজাগা মরী লৈননা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা হায়, ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা ফজরবা মণিপুরগী চীং পাৎ তুরেল কয়া অসিবু কন্নবা হোৎনমিন্নসি। ঙসি ঐখোয়না হোৎনরিবা অসি তুংগী মীরোলগীদমক্তনি। মতম পূন্নমক্তা গনেশ ঈশ্বরনা ইংনা তপ্পা শান্তি লৈবা পীনবীবা ওইসনু।

ঈশ্বর নীংবগা মালেমগী অইং অশাগী খল ঙাকপগা তুনা চৎমিন্নবা য়াই। ঈশ্বর নীংলিবা অমসুং পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মহৌশাগী ...মখা লমায় ৫দা...

## পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা লানগনিঃ ১৪ সি এস ও

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ পোলিটিকেল পার্টিশিংনা এন আর সি অপদেটকী মতাংদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা হায়বসি লানগনি। পোলিটিকেল দাইভর্জন অমদি ভোট পোলিটিক্স ৱাখল্লোল থাদোক্তুনা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌনবা হোৎনবদা ওইনা মায় ওনশিন্দুনা পূন্না চঙশিনমিন্নসি হায়না ১৪ সি এস ও কংলৈপাক অমদি চৎমিন্নরিবা লুপশিংনা ...মখা লমায় ৫দা...

## মণিপুরনা বেষ্ট পার্ফোমিং ষ্টেট এৱার্দ ফংলকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬(এস এন এস)ঃ হিল্লি এন্দ নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া ইলেক্ট্রিক মোবিলিটি ইন্দেক্স (আই ই এম আই) ২০২৫ গী ওইনা মণিপুরনা বেষ্ট পার্ফোমিং ষ্টেটকী এৱার্দ ফংলকখ্রে।

ইন্দিয়া ইলেক্ট্রিক মোবিলিটি ইন্দেক্স ২০২৫ অসি নিটি আয়োগনা ইস্যু তৌবনি। এৱার্দ অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনদি দিল্লিনা টোপ লিষ্ট লৈ। অদুগা মথংশিংনা মহারাষ্ট্র, কার্নাটকা অমদি চান্দিগড়না ...মখা লমায় ৫দা...

